নিপানলক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

ক্রাও, রেস অমসুং পি টি আর সী মায় পাকখ্রে

PRAHLADA & W. R
TOURNAMENT
2023-24
Cricket Gr

TOURNAMENT 20
Public

PRAHLADA
2023-24
Public Ground Kha

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ক্রাও খন্নাম বজারনা পি টি সী সী পাৎসোই পার্ট-৩, রেস খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইনা অল-অমিন লিলোং অদুগা পি টি আর সী পাৎসোই পার্ট-৪না এস সী সী সী শীংজমৈ থোঙাম লৈকাই মায়থীবা পীখ্রে।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদ ক্রাও অমসুং পি টি সী সীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি টি সী সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা ক্রাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ক্রাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা লমাবম জোটিন অমসুং খুমন্থেম প্রকাশনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন অনীমক রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা দক চাখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন তখেল্লম্বম কালানা বোল ৩২দা রন ১৬ অদুগা হৈস্নাম জোইহেনবনা বোল ৩২দা রন ২১ লৌরমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী য়ৌনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২৪.৪ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৬৫ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

পি টি সী সীনা টার্গেট রন ৬৬ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনসু বেটসমেন এন্দিনা বোল ১৪দা রন ২৩ অদুগা অবিদ হিজমনা বোল ৫১দা রন ১২ লৌরমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২১.৩ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৬১ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ক্রাওনা রন ৪দা থোইখিবনি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেডিয়মদা অল-অমিন অমসুং রেসকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস অল-অমিননা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অল-অমিননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪০.৫ শুরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৩২ লৌবা ঙমখি।

রেসনা টার্গেট রন ১৩৩ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিদবদগী ওভর ৩৩.৩ শুরকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা টার্গেট রন ১৩৩ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু রেসনা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখিবনি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা রেসকী মংলেম্বা মীতৈনা বোল ৭২দা রন ৪৭ লৌরমখি।

অমরোমদা, পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা পি টি আর সী অমসুং এস সী সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি টি আর সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌখি। পি টি আর সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪৫ লোইবদা ৱিকেট ৫ তুরগা পুন্না রন ২৫৫ লৌবা ঙমখি।

এস সী সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৫.৪ খক্তা ঙাইরিঙৈদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৩৭ তগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি টি আর সীনা রন ১১৮দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা পি টি আর সীগী রাজকুমার রেক্সনা তাখি।

অহানবা চীফ মিনিষ্টর অমসুং ১৪রক শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০২৩-২৪

এস য়ু সগোলবন্দ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস): ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা)না শীন্দুনা মোইরাংগী চেংঙেল লম্পাক্তা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা হৌজিক চথরিবা অহানবা সী এম অমসুং ১৪রক শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা এস য়ু সগোলবন্দনা ট্রাও ক্বাকৈথেল মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা ট্রাও অমসুং এস য়ুগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এস য়ু সগোলবন্দনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশীং হেন্না ফংখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ১৯, ৩৮ অমসুং ৪৫ শুবা মিনটতা এস য়ুগী এস সুভাশ, লানঙন্বা অমসুং সদানন্দনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস য়ুনা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবদসু এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক এস য়ুনা দিফেন্সতা মীৎয়েং থমদুনা শান্নখিবদগী ট্রাওনা মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোক্লবা হোৎনখিবা কয়া মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচ লোইবা ফাওবদা ট্রাওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এস য়ুনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেটচ কম্মিস্নরনা অতাও রহমননা ওইখি।

থাঙ লৈতেং হাইবগী ট্রেনিং কম প্রদক্সন লোইশিনখ্রে

ON THANG LEITENG HAIBA
SANGEET NATAK AKADEMI NEW DELHI

থৌবাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস): সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা এসোসিএসন ফোর পাওনা মেমোরিএল আর্টস এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিসেসনা শীন্দুনা থাঙ লৈতেং হাইবগী মতাংদা চথরকখিবা অনীশুবা বেটচকী ট্রেনিং কম প্রদক্সন ঙসি থৌবাল অচৌবদা লৈবা লাইশুকোলগী কেম্পসতা লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুয়েল লানলোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন ইরিলবুংগী দিরেক্টরসু ওইরিবা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দী কে সনাথোইবনা অথোইবা মীথুংলেন, ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লীগী নেসনল সেক্রেটরি ডা. ৱাই মহেন্দ্রকুমারনা থৌরম মপূ অদুগা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী রিটায়র্দ গুরু পি ধনজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দ ২০২২ ফংলকখ্রবা রঞ্জিৎ খুমন য়াওনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা থাঙ-তাগী লম্‌দা ফেলোশিপ ফংলবা জুনিয়র অমসুং সিনিয়র থাঙ-তা আর্টিষ্টশিংবুসু হরাউ তরাম্না ওক্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থাঙ-তা ৱর্কশোপ লোইশিনখ্রে

Organised by
Heibok Ningthou Thang-Ta Association
Under the SANGEET NATAK AKADEMI, NEW DELHI
SINDAMSANG OF HEIBOK NINGTHOU THANG-TA ASSOCIATION
PRESIDENT
CHIEF GUEST
GUEST OF HONOUR

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচ এন এস): সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী শেন্থং মখাদা হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসন হিয়াংথাং তখেল্লম্বমনা থা অসিগী ২৮দগী চথরকপা নুমিৎ ৩নিগী ওইবা থাঙ-তাগী ৱর্কশোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

হিয়াংথাংদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস টিকেন, হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসন হিয়াংথাংগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস নিংথেমজাও অমদি লুৱাং থাঙ-তা একাদেমি খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকাইগী সেক্রেটরি এন নোরেন মীতৈনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপূ অমদি অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি হায়না হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯰ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

জগোই হৈজদ্রগা পুঙ য়ৈবদা তায়ননু

(৪৮৭)

ম্যান্মারগা ঙমখৈ লোন্নরিবা ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট ওইরিবা মণিপুর ঙসিদি ইন্দিয়াগী জিও পোলিটিক্সকী চৈথেংনা খম থেংনা তংদু লৈতাহন্দ্রে। ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)দা শিবগী মতম ঙাইরিবা অনাবা হায়বদুমক্কা পান্থক ওইরে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ‘কলাদান প্রোজেক্ট’না মণিপুরগী মরাইবক লেপ্পলগনি হায়বসি ঙসিদি ওপন সেক্রেট ওইরক্লে। চাইনাগী ফোরেন পোলিসিদা খংপ্রেক-খংপ্রেক খংলবা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু উশিল তৌনবা হোৎনরি হায়বসি মীয়াম্না থাজবীয়ু, থিগৎপীয়ু। চাউখৎ লমজেলদা মাংজিল থারক্লিবা ইন্দিয়াগী ফোরেন পোলিসিদা কনানসু অরানবনি হায়না য়েৎলুবসু ঙল্লোই, মশা ঙাকথোকচনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎচবনি। থৌরাংদুদা মণিপুর বলিগী হামেং ওইহনবগী ৱাতনি। ৱাফমদুদা মীয়াম্না খম থেংনা পেন্দবা ফোঙদোকচবনি। তাবীগদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তাবীদবগী থোইনা হেন্না পেন্নদ্রিবনি। কুকিগী লান লোইবা খন্বা নাইদবা লান ওইখিনি। মীয়াম হেন্না-হেন্না ৱাখিনি। ইন্দিয়া লৈঙাক-পংলান লানবসু নত্তে অদুবু কলাদান প্রোজেক্ট মঙফাওননবা তঙাইফদনা ম্যান্মারগী কুকিশিং থেন্বদা হেন্না খূদোংচাবা লৌদুনা কুকি জো মিলিটেন্টশিংনা হান্ননা লমদমসিদা লৈরন্নবা মণিপুরী কুকিশিং মোইথেম তৌরগা কুকিলেন্দ অমগী মঙ মঙদুনা মীতৈ ফূরুপ্তা লান দারকপনি। মদুদা মতাং মতম্না ইন্দিয়া লৈঙাকৱা ঙাংবা য়াদবনা লানগী মরমদা ৱাহে অমত্তা ঙাংলক্তবনি। অঙকপনি ইন্দিয়াগী মঙলান অমগী খূদোংচাবা লৌদুনা কুকিশিংনা অতোপ্পা মঙলান অমা শাগৎলি। অদুনা ওইরম্বসু য়াই ঙসিসু মণিপুর মঙগী লৈবাক ওইরি। ওইথোক্লরোইদবা ঙাক্তনা ষ্টেট অসিগী মশরুক ওইরি। অসুক্কী মতিক মহাম তাগদবা পোলিসিদা করিসু খঙজরমদবা মীয়াম্বু হঞ্জিন-হঞ্জিন খোইশাওনহল্লি। কুকিশিংবু নাও চাওহল্লিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী জিও পোলিটিক্সকী অখূবা মীৎয়েং অমননি। মালেমগী ওইনা সুপর পাৱরদা মাংজিল থারিবা চাইনানা ইন্দিয়াগা অঙম তান্নবগী লান মচা-মচা থোক্তুনা ইন্দিয়া লৈঙাক কোক শাহল্লিবসি কোক্লনবা পান্থে থিরি। চাউখৎ লমজেলদা মাংজিল থাখ্রবা চাইনানা ইন্দিয়াবুদি উশিৎলমগদবসু মান্দে। অদুবু চাইনাগী সাউথ এসিয়া পেসিফিক রিজনদা পাকথোক-চাওথোক্লা চথরক্লিবা প্রোজেক্ট কয়াদা ইন্দিয়া শ্বর চাওনা-চাওনা হোল্লি। শ্রি লঙ্কা মখোয়গী খূবাম্লুংদা লৈত্রি হায়বতনি- চাইনাগী শেন্দোননা মরেপ থুমখ্রে। ম্যান্মারসু চাইনাগী খূবাম্লুংদা লৈখ্রবগুম্বনি। মতম অমদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা লান তৌনরকপদা শাফনবগীদমক কলাদান প্রোজেক্ট পায়খৎলকপনি। মসিদা কলাদান তুরেলগী নাক-য়েৎতা খুন্দারিবা ম্যান্মারগী কুকি লালহৌবশিং, মিজোরামগী মিজোশিং, চুড়াচান্দপুরগী ম্যান্মারগী ঙমখৈ নক্লা খুন্দারিবা কুকি ফূরুপ কয়া থেমদুনা অয়েৎ-অপন পীরক্তনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিশিংবু থেমদুনা থল্লিবনি। মরকসিদা হেন্না খূদোংচাবা লৌদুনা হান্ননা মীতৈ লুচিংবশিংদা মালোম লৈরন্বশিং ফূদোরক্তুনা মীতৈদা অতম্না লাউথোক্তবা লান্দা চথরকখিবনি। মীতৈসু খংপ্রেক খংনা লান ঙাক্তুনা ঙসি ফাওবা লেপ্পা নাইদবা লান চথরক্লিবনি। মী মশীং খঙদনা শিখ্রে, শোকখ্রে। য়ুম মশীং খঙদনা তুম্না মৈ থাখ্রে, থুগায়খ্রে। চহী অমগী চাননবা লৌ উবদা অয়েৎপা পীদুনা ঙসি ফাওবা কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দাবা লেপত্রি। কনানসু লান খামবীদে। আর্মিসু, লৈঙাকসু খঙশিন-উশিন্নদনা শাংলবা থা ১১ ময়া য়ৌশিল্লক্লবসি ফাওবদা মীতৈশিংদা খম থেংনা চৈথেং পীরি। ঙসিদি মীতৈশিংসু- কনাদসু লান খান্বীনবা হায়ররোই খনখিবগুম লৈঙাকপশিংবু খম থেংনা ৱারৌখ্রে। ওমদুনা লৈখ্রবা মৈগী চীং ওনখ্রে। নোংমদি শোয়দনা পোকখায়রকখিনি। মতমদুদা ইন্দিয়ানা মীতৈশিংদা করি তৌরক্কনি য়েংবা তাবনি।

অদোমগী - বি সী খুমন,
ইম্ফাল, # ৮৪১৪৮৮১২৮৯

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST

Ref :- Mutation Case No. 69/SDC/SWG of 2024

Parties:-
Ningombam Nalini Devi, W/o Sapam Ratan Singh of Okram Chuthek Kitna Panung. - Petitioner
-VS-
Late Pattadar
Ningombam Yaima Singh, S/o (L) Ningthourel Singh of Singjamei Makha Waikhom Leikai. - Opposite Parties

[illegible] / NOTICE

Sawombung, the 28/3/2024

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নংঃ 28-Itam পট্টা নং: ... (অরিবা) 79/289 (অনৌবা) দাগ নং: 10/369 মোট এরিয়া 0.62 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Ningombam Yaima Singh মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপটি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Sawombung, Imphal East

HL-P/10199/31

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

Ref. :- Mutation Case No. 147/SDC/IW-L/2024

Hijam Hemanta Singh, S/o (L) Gouramani Singh of Sagolband Salam Leikai. - Petitioner
-Vs-
Late Hijam Gouramani Singh, S/o (L) Leinou Singh of Sagolband Salam Leikai - OP/Party

[illegible] / NOTICE

28/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার হিজম গৌরমনি সিংহ পীতা মৃ: লৈনৌ সিংহ সাং সগোলবন্দ সলাম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশজিককী অনৌবা পাট্টা নং ৪৮৫ দাগ নং ১১৩৬/১৫১১ এরিয়া ০.৮৩০০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
IW:Lamsang

HL-P/10198/31

[illegible] / অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্লৎচবা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, খজিক্তং হান্বা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থজিন শাওগৎপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না কন্না হাক্লৎচবা, হাক্লৎচবা অদু খাঙবা ঙমদদুনা খোৎপা মতমদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু খোঙ হান্বদা য়াম্না থুপ্পা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, খজিক্তং হান্বা, খোঙ মপূং ফানা হামদোক্ত্রবদি হকচাং য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ মপূং ফানা হান্নবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থজিন শাওগৎপা অমদি থবাক নাবা, করিমত্তা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, খোঙ হান্বা তারগসু অকনবতা হান্বা, হামেং মথিগুম্বা মরূ-মরূ মরক্তা হান্বা, তিনকুপসু য়াওরকপা অমদি মনাংসু য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা মঙ্গল মরূমুক চাওনা অনী থোক্লা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরকপা, শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনখৎপা, দোক্টর চৎলগা য়েংবদা নান্থবা শৌজ অদু কিশিন্দবা য়ারোই হায়না কিশিল্লুবদসু অমুক হন্না নান্থরকপা, হকচাং য়াম্না নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/31
থাগৎচরিবা : **Kh. Ibotombi Meitei,** Singjamei

[illegible]

Admission Open for
FOUNDATION COURSE

Apollo Academy
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
Near AMUCO Building

Class XII Science
Phy + Chem + Bio + Maths + Comp.Sc. + Home Sc.+M.M.+Eng.
Class Starts: 15th April, 2024 | Timing : 4:10 p.m. to 7:50 p.m.

[Both CBSE & COHSEM]

We provide
"CUET/JEE/NEET Nurture Test Series & FREE Basic Computer classes"
Weekly/Bi weekly Test Series for Every Subjects

Class XI Science
Phy + Chem + Bio + Maths+English
Class Starts: 25th April, 2024
Timing : Morning (6:00 am to 9:45 am) Evening (4:10 pm to 7:50 pm)

Special features:
SPECIAL ENGLISH & MM CLASSES OF COHSEM SYLLABUS ONLY
- School Van Service.
- Affordable Tuition Fees
- Half Hostel Admission fee for 2023 Matric Rank Holders & Government school students (Limited seats).
- Study materials from Edurev & Infinity Learn

➡ Avail Hostel for boys & girls.
➡ Mess Fee : 4,500/- per month

For enquiry:
Pliz visit Apollo Office (8258013846)

HL-B/8604/31

[illegible] / খোঙ হান্বা মতমদা খজিক্তং হান্নগা তোকপা, মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, মপূং ফানা খোঙ হামদোক্তবনা নোংম-নোংমগী পূক চাওথোরকপা অমদি পূক চপ তিংলগা লৈবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা মতমদা খজিক্তং হান্নগা তোকপা, মপূং ফানা হান্বা শুকয়া য়াদবা, মপূং ফানা খোঙ হামদোক্তবনা নোংম-নোংমগী পূক চাওথোরকপা অমদি পূক চপ তিংলগা লৈবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌবা, খোঙ হামদোক্লবা হীদাক চারবসু পূক নারকপা হকচাং নুংঙাইফম খঙদবা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, অমাংথোঙ মনাক্তা পোন্বা, পোন্বা অদু নোংম-নোংমগী হেন্না চাওথোরকপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্লৎচবা, শা-ঙা য়াম্না তোয়না চাবা য়াদবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লগা নাবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা, ফন্বী শোনবা, হকতিন্নিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈতবা, চাকখাও শোকপা, থবাক্তা ফুনগৎলগা শ্বর হোনবা ৱাবা, খোঙ খূৎ জিং-জিং লাউবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10128/31
থাগৎচরিবা : **T. Bocha,** Uripok

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

Ref. :- Mutation Case No. 146/SDC/IW-L/2024

1. Oinam Manglemba Singh, S/o (L) O. Kulla Singh of Mayanglangjing Tamang
2. -do- James Singh, S/o Oinam Manglemba Singh of -do-
3. -do- Asharani Devi, D/o (L) O. Kulla Singh of -do- - Petitioners

-Vs-
Late Oinam (O) Damenti Devi, W/o (L) Kulla Singh of Mayanglangjing - OP/Party

[illegible] / NOTICE

28/3/2024

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার ওইনাম ওংবী দমেনতি দেবী পতি মৃ: কুল্লা সিংহ সাং ময়াংলাংজিংগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৬ দাগ নং ২২১৭ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.১০৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
IW:Lamsang

HL-P/10198/31

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005513073

HL-P/10145/31/3-9/4

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1088

F. Poetz (2255) - D. Supancic (2376)

TCh-AUT 2nd Bundesliga Mitte 2008-9 Austria AUT (3), 2008.11.29

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 g6 5.Nc3 Bg7 6.Be3 Nf6 7.Bc4 Qa5 8.O-O O-O 9.Bb3 d6 10.h3 Bd7 11.Re1 Rfe8 12.Qd3 Rac8 13.Rad1 a6 14.Qf1 b5 15.Nxc6 Bxc6 16.Nd5 Bxd5 17.exd5 Nd7 18.Bd4 Nc5 19.Qe2 Nxb3 20.Bxg7 Kxg7 21.axb3 e5 22.c3 Qb6 23.Qe3 Qb7 24.Rf1 f5 25.Kh2 a5 26.Ra1 Ra8 27.Rfd1 a4 28.Ra3 axb3 29.Rxb3 Ra4 30.Qd3 Rb8 31.Rb4 Qb6 32.Rd2 Rxb4 33.cxb4 Rc8 34.Rc2 Rc4 35.Qd2 Rxc2 36.Qxc2 Qd4 37.Qc7+ Kh6 38.Qxd6 e4 39.Qf8+ Kh5 40.d6 e3 41.Qe7 e2 42.d7 h6 43.d8=Q e1=Q 44. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 1087 Solution :

14. ...Bxh2+ The black bishop captures White's pawn, which was defending the square g3. **15.Nxh2**

15. Kf1 Qxf2#

15. Kh1 Nxf2#

15. ...Qxf2+ The black queen captures White's pawn, which was defending the square g3. **16. Kh1 Ng3#** Dragonfly mate

0-1